HUEIYEN LANPAO

Wednesday, January 13, 2021, Imphal

7

# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
devananda.singh@yahoo.com

ৱাহৌদোক :- ময়াম্বু খুরুমজরি। য়ুমশকৈশা খুদিংগী মীয়ামদা খুদোল তমজগদৌরিবা আর্টিকেল অসি খুন্নাই অসিদা থেংনদুনতা লাক্লিবা লায়রবা হায়বা মীপূম খুদিংনা পাম্নদ্রবা লায়না অসিদগী খরদং কোক্নবা হোৎনজবনি। মসিদা লায়রবা করিনো? ঐখোয় করিগী লায়ররিবনো? মসি কোক্নবা করি তৌগনি? লায়রবা কোক্নবা হোৎনবা শিন্থোংশিংদা থেংনবা অৱা-নুংঙাইশিং অমদি পূক্নিং থৌগৎলোন্নচিংবগী মরমদা নৈনজগনি। পাবা নুংঙাইনবগীদমক্তা মরক-মরক্তা অশেংবা অমদি ৱাখলনা শাবা ৱারী মচাশিং মতাং চানা হাপচিনজগনি। পাবীরিবগী ৱাখলদা ইশাদা অমদি ইশাগী ইমুং-মনুং ইনাক খুন্দ্রি, হৌজিক হৌজিক ইনাক খুল্লি অদুবু মসিদগী হেন্না অমুক ইনাক খুনবা পাম্লি নৎত্রগা অদোম্না লায়রবা ইমুং অমবু মতেং পাংবীনীংলবদি, চিল্লবা মতমদগী মীকুপ খরদং কাইথোকপীদুনা আর্টিকেল অসি পাবীয়ু অমদি নৈনবীয়ু।

মীওইবা খুদিংনা নুংঙাইনা হিংবা পামই। Eyunni (2011)[1] না নুংঙাইনা হিংবদা করি করি চঙবগে হায়বগী মতাংদা ইনকম, হকচাং ফবা অমদি খুন্নাইদা ইশাগী ফিদাগী মতাংদা নৈনখ্রে অমদি 'ইনকম' হায়বসিনা নুংঙাইনা লৈনবগী মরু ওইবা মচাকনি হায়না ফোঙদোক্লমখি। মসি পূন্নমক্না খঙনরবা অমদি মরম চাবা ৱাফমনি। শেল লৈরগদি নারক্লগা লায়েংবা ঙমগনি অমদি খুন্নাইদা ঈজৎ লৈনা হিংনবগী মতম অমসু ওইবা য়াই। হৌজিক মথক্তা পঞ্জখ্রিবা নুংঙাইনা হিংবদা চঙবা মচাকশিংসিগী মরমদা ইশানা ইশাদা ৱাহং খরা হংজবা য়াই। ৱাহংশিংদুদি :-

১) ঐ অমদি ঐগী ইমুংদা ইনকম কয়া য়াম্না লাকপগে?

২) ইশা অমদি ইশাগী ইমুংদা অনা-অয়েক য়াওবরা? কোন্না নারক্লগনা কদাইদগী পৈশানা লায়েংবা?

৩) ঐনা ঙসি ফাওবদা ঐগী চাওখৎনবা, ইমুং মনুংগী চাওখৎনবা অমদি খুন্নাইগী চাওখৎনবা করি তৌখ্রবগে? হৌজিক হৌজিক খুন্নাইদা ঐগী ফিদা (social status) করিনো?

ৱাহংশিংসি হংবদা লায়বা অমদি লায়রবা অমদদি খুন্থদা য়াম্না লুবা ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিমক পাউখুম পীবা ঙমদ্রবসু হংবদি মথৌ তাই। মথং মনাও নাইনা ইজগদৌরিবা আর্টিকেলশিংসি পাবীরবা মতুংদা অদোমদা ৱাহংশিংসিগী পাউখুম শোয়দনা লাক্কনি হায়না খল্লি। ফরে অদুদি হৌজিক ৱাহংশিংসি নাথৈদুনা থম্লগা, লায়রবা হায়বসি করিনো হায়বদু নৈনরসি।

অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না করিগুম্বা খুন্নাই অমদা মীওই অমনা খুন্নাইদুদা মাগী হিংননবগী ইচম চম্বা মচাকশিংদু ফংদ্রবদি, মীওই অদুবু 'লায়রবা মী' হায়না খঙনৈ। ৱাহন্থোক অসি মুন্না য়েংলবদি 'লায়রবা' হায়বসিগী চপ-চাবা পূন্নমক্না য়ানবা ৱাহন্থোক অমা লৈতবসু য়াই। খুদম ওইনা হিংননবগী ইচম চম্বা মচাকশিং মীওই অমগা অতোপ্পা অমগা, ইমুং অমগা অতোপ্পা ইমুং অমগা অমদি খুন্নাই অমগা অতোপ্পা অমগা খেন্নবা য়াই। মীওইবদি পেন্থোকপা নাইদে অমদি লোইবা নাইদবা অপান্বা লৈ। মীওই খুদিংমক নৎত্রগসু অয়াম্বনা অসুম্না তৌই। ফীভম ফীভমগী মতুংইন্না পেন্থোকপসু লৈ। প্রমান ওইনা মনা-মশিং য়োনবী ইমাদুনা নোংমদা চাওরাক্না লুপা ২০০ শেন্দোং ফংলম্বদগী লুপা ৩৫০ শেন্দোং ফংবা নুমিত্তো য়াম্না হরাওজে, পেন্থোকচৈ। অমরোমদা মলটিনেসনল কম্পনিগী মপুদুনা নোংমদা লুপা লাখ ৩০ শেন্দোং ফংলম্বদগী লুপা লাখ ২৫দা (নোংমদা) হন্থখিবদা থম্মোয় ৱাই, খোইশাওনৈ। তৌবতবু মখোয় অনীমক মীওইবা ঙাক্তনি। অঙকপনি তাইবঙ মীওইবগী ৱাখল!

মী অমনা নৎত্রগা ইমুংঅমনা লায়রবগী মরম য়াম্না য়ামখ্রে। মসি খুন্নাই অমগা খুন্নাই অমগসু খেন্নে। চাওয়েং য়েংবদা লায়রবগী মরু ওইবা মরমশিংদি মীশিং হেনগৎলকপা, পোথোক হন্থরকপা, শুফম নোমফম লৈতবা, লাইরিক হৈতবা, অরানবা পোলিটিকেল সিষ্টম অমসুং শেঞ্জা থুমজা, থবক ফংদবা, মী অমগা অমগগী মরক্তা ইনকম খেন্নবা, মফম অমগা মফম অমগা চাওখৎপা মান্নদবা, থবক ফংনবা নৎত্রগা মশা মথন্তা থবক পীজবা য়াবা মখলগী মহৈ-মশীং অমসুং ট্রেনিং ৱাৎপা, করবারদা থাদনবা শেল ৱাৎপা নৎত্রগা লৈতবা অসিনচিংবনি। হায়রিবা মরমশিংসি ঐখোয়না লাকশিনবা ঙমদবা ঙাক্তনি। মসিদি সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না অমদি মিনিষ্ট্রিনা য়েংশিল্লগা পোলিসি/প্রোগ্রাম শেমদুনা ফগৎনবা হোৎনগদবনি অমসুং হোৎনদুনতা লাক্লি। ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরিবশিংসিগী মথক্তা ইশানা লাকশিনবা অমদি শেমদোকচবা য়াবা মরম ময়াম অমনসু লায়রনবগী মরম ওইহল্লি। মরমশিংদুদি নাপল কাবা, তনবা অমদি থবক শুনীংদবা, মীৱা ঙাঙনদুনা মতম মাঙহনবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদুনা পাঙ্গল অমদি লৌশিং মাঙহনবা অসিনচিংবনি। পূন্নমকশিংসিদগী খঙলে মদুদি ঐখোয়না লৈরিবা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা সিষ্টমগী মতুংইন্না, মীওই/ইমুং ময়াম অমা 'লায়রবা' হায়বসি শোয়দনা ওইরগনি অমসুং মসিগী মথক্তা ইশানা অমুক্কসু লায়রনবা খঙনা অমদি খঙদনা হোৎনজরি। লায়রবা কোক্নবা কন্না হোৎনজরবসু কদাইদনো অমা নৎত্রগা অমা শোয়বদগী লায়রবা হায়বদু অদুম ওইদুনা লৈবা কোঙ্গায়নি। ফীভম অসিদা লায়ররে খঞ্জরিবা মীওই অয়াম্বনা মশানা মশাবু নিন্দা তৌজৈ, ইমুং মনুংগী মীওই কয়াদা ৱারৌই অমদি খুন্নাইদা নীংঙমদবা মীৎয়েংনা য়েংই। কান্নদ্রবা ৱাহং, পাউখুমসু ফংলরোইদ্রবা কয়া মদোম হংজৈ অসুম্না :

১) ঐবু করিগী অসুক লায়রবা ইমুংসিদা পোকলল্লিবনো?

২) ঐনা হেক তৌরু-তৌরুবা থবক অমত্তা মায় পাক্ত্রিবসিনা করিগী?

৩) ঐসে দাও শুকয়া য়াদ্রিবসিনা করিগীনো? অসিনচিংবা।

অদুদগীদি কদাইদা তাই, লাদা তাই হায়দনা ইমুং মনুং ইশৌ লাংখৎলক্লে, য়ু থকপদুনা ফজনা য়ুদো থকচিনখ্রে, লৈকায় খরা কোয়গনবা কোয়গনবী ওইরগনা লৈকায় কোয়খ্রে ... অমুক হন্না লায়রনবগী মরম অসুম হেনজিল্লকই অমদি চহী য়ামশিল্লকই।

১) অদুদি হৌজিক ঐখোয় করি তৌগনি?

২) তাইবঙ শেম্বা মপুনা তম্লম্বা লায়রবগী মপোকনি খল্লগা পুন্সিসে অসুম লেল্লসিরা?

৩) ঐনা ঐগী থোকপা, ইমুং-মনুংনা মোই-মোই থোকপা খল্লগা পেন্থোক্লসিরা?

য়াদে! ব্রহ্মা কৌবা তাইবঙ মপুমক্না পোকঙমদে হায়নরিবা মীওইবা ঐখোয়গী মপোকপু করিগী তরাই-তরাই লৌগদগে? ঐখোয় কন্না হেৎনবা তাই। করম্না? য়াম্না স্মার্ট ওইনা। করিগী? ঐ অমদি ঐগী ইমুং মনুং লোয়ননা খুন্নাইগীদমক। অদু ওইরবদি থৌবু ওইগদৌরিবা ইশাদি ইশানা মুন্না মশক খঙলব্রা? 'ঐ কনানো?' হায়না ইশানা ইশাদা করিগুম্বদা হংজখ্রব্রা?

মথংগী আর্টিকেলদা 'ইশানা ইশাবু মশক খঙজবা' হায়বসিগী মতাংদা ইজরক্কে। অদোম পাবদা করিগুম্বা খরা কান্নে হায়না খনবীরবদি মরুপ মপাংশিংদা স্যের তৌবীয়ু। মখা তানা পাবীনীংলবদি মথংগী য়ুমশকৈশা ঙাইমিন্নরসি। পূন্নমকপু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

[1] Eyunni, A. (2011). On the determinants of happiness, Available at SSRN : http://ssrn.com/abstract-1889222.

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৌনীংবতা লৌরিবা মনা-মশিংগী মমলসিবু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মৈতৈ শরেং ওইগেরা, দেশকী শরেং ওইগেরা কেজিদা লুপা ৫০০/১০০০সু ওইসনু, লৈবা ঙম্বা মীওইনা লৈরগা চাজনি। লৈবা ঙমজদবা, শেল পায়জদবা মীওইনা করিসু শাউবীদে। ওক, য়েন, ঙানু, হুই, হামেংগী মমলসু তাঙনীংবমখৈ তাঙসনু। চানীংবা মীওইশিংনা অদুম লৈরগা চাজনি। চাদ্রসু য়াবা অহেনবা চিঞ্জাকনি। অদুবু লমদমসিদা নুমিৎ খুদিংগী হিংনবগীদমক অয়ূক নুমিদাংদা চানরিবা চারা অনীসিদা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা চেঙ, থুম-থাও, ঙারি, ঙা অয়াইবা নৎত্রগা শেল ইতিং তিংদ্রসু নোংমগী এঞ্জাং ওইনরিবা লমদমসিদা হৌজরিবা, থারিবা মনা-মশিংগী মমল হন্দক্কী মালেমগী ওইবা পেন্দমিক, কোভিদ-১৯না লমদমসিদা হেক য়ৌরক্তুনা লৈঙাক্না লোকদাউন লাউথোকখৈদগী নোক্লিংবা অমা য়াওনা হেনগৎখ্রে। করিনো মসিবু? অয়োনবা/অয়োনবীশিংসু অসুক্কী মতিক ইকায়বা খঙদনা শেন্দোং নিংথিনা তান্নবা হোৎনরে। পৈশা পায়বা নত্তবা লায়রবা মীশিংদি কোক্তা খূৎ হাপ্নরে।

হান্নদি চাক থোংনবা চেঙ কেজিদা লুপা ৫০ য়ৌবদা খোইশাওনরম্বদু লৈঙাক্না হাওবা-হাওতবা মমল হোঙনা নৎত্রগা লেম্না পীবীবদগী খরদি শাফনরে। অদুবু থোংননবা এঞ্জাংগী মতাংদদি ৱাকৎফম খঙদনা লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা লাক্লবীরে। কোভিদ-১৯গী ইম্পেক্তা অসুক শাথীবা খুদোংথীবা ফংহল্লিবসি খূৎশেমগী ওইবনি, ভাইরসতা তাইনরুবসু য়াদ্রি। শিবা কিদবা লল্লোনবা-লল্লোনবীশিংনা শেন্দোংগীদমক মীপূম খুদিংমকপু খোইশাওনহনবনি। মহৌশা এঞ্জাং-নাপি য়োনবীশিংনা মখোয়দগী মনা-মশিং লৈবীবদা পোৎহাপ ওইনা হাপ্নরম্বা মরোই নাকুপ্পী, নপাকপী, ফদিগোমগী মমল লুপা ১০দগী তাখিদ্রে। আলু, হৱাইগী মখলশিং, খামেনগী মখলশিং হান্নগী মমল নৎখিদ্রে। কোবী, হঙ্গাম মমল অতাঙবা কাঙলূপ্তা চনখ্রে। খ্বাইদগী হেন্না নোক্লিংলিবনা হৱাই মতোন ফাওবা কেজিদা লুপা ৪০০ য়ৌরে। য়োংচাক্কী মমলদি হায়রুদুনা কান্নররোই। পূন্নমকসি খূৎশেমগী ওইবা মনা-মশিংগী মমল তাঙহনবনি হায়বসিমদি চুল্লবনি।

কোভিদ-১৯ লান্থেংনরিঙৈ, শেল-থুম তানফমসু খঙদ্রিঙৈ পোৎ চৈগী মমল য়োন্নিং-য়োন্নিংবা মমলদা য়োল্লিবসি থিংবা থিংদবা নত্তবদা করিগীদমক লমদমসিগী মীওইশিংনা চাগদবা মনা-মশিংগী মমল লমদমসিগী মনা-মশিং য়োল্লিবশিংনা অসুক শাথীবা মওংদা হেঙ্গৎনা লৌরিবনো? ৱারবা মতমসিদা অমনা অমগী মতেং পাংনগদ্রা হায়রগা হেক্তা তৌবমখৈ শেন্দোং তানবসিদি হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন য়াওদ্রে হায়বমক্লি। মমা-মচা, মচিন-মনাও ওইবগী মীনুংশি হায়বদু লৈত্রে হায়বনি। মসিদি য়াম্না ফত্তবা ৱাখল্লোননি।

য়ারিবমখৈ মপান লমগী পোথোক শীজিন্নদনবা মায়কৈ কয়াদগী ইথিল পীনরক্লিঙৈ তাল্লকসিদা লমদমসিদা থোকচবা মনা মশিংগী মমল লল্লোনবা-লল্লোনবীশিংনা লৌনীংবা মমল লৌরিবমসিমক মীয়ামগী খোল্লাউ নাচুংবীদ্রে হায়বনি। মসিমক্তি ৱাখল তামিন্নহৌদ্রবদি হান্নগুম মপান লমগী পোৎ চৈ অমুক পাকশন্না লৈনরক্তুনা পুকচেল তিন্নদবগী মশক ফোঙদোক্নরক্লগনি। ইশাগী লৈহাওদা মরাং কায়না হৌজবা মনা-মশিংদা মমল লৌনীং-লৌনীংবতা লৌবগী ৱাখল্লোনসিমতদি য়াম্নমক তৌহনজনীংদে।

*অদোমগী :- বি সী খুমন, থৌদা ভাবক লৈকায়*

## লৈবাক মচাশা কোভিদনদি ঙমহল্লগুমসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ৱাদনা নুংঙাইবসিদি মীওইবা খুদিংমক পাম্নবা ঙাক্তনি। মমা-মপানা মতিক চানা মরন-মথুম থনম্লবা লৈহৌরিবা মচা-মশুদুনা হজিরা শুদুনা, ওটোরিক্সো থৌদুনা কোয়চৎ-চৎলগা নোংমগী অফংবা মসিগুম্বা থবক থৌরমসিমদি তৌগনি থাজবা ৱাৎলবনি। হাতে-হাতে শুদুনা নোমদুনা নোংমগী হিংনবা হোৎনরিবা ইমুং অদুগী মীওইশিং চাবদা, শেৎপদা নিংথিজনা মনীং থুংইদা হায়বদা অরানবা হায়বদু ওইদৌরিবনি।

খূবাক ময়িদা হিংদবা য়ানা হিংবসিদি শুবা তাবনি, নোম্বা তাবনি। অনীসিদগী হেনবা অতৈ অমমুক লৈত্রবনি। শুরগা নোম্লগা পোলোইদা ইনাক কৈরাক খুনবা মীওই ওইরকপা মসিসু য়াওদবা লৈতবা নত্তে। লায়রবদগী ইনাক কৈরাক খুল্লকপসিদি মহাক থক্কীদমক্তদি হৌরকখিবগী ফীভম অদুমদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। অৱাবদগী নুংঙাইরকপা, নুংঙাইরম্বদগী অৱাবা ওইরকপা অনী অসিগী মনুংদা মীওইবা কৌবা কাঙলূপ্না পাম্নরিবসি পোলোই ফবা হায়বসিনি। মীওইবা কাঙলূপ্না পাম্নবা ওসরবসু মাগী-মাগী অপান্বদি থুংবা নত্তবনিনা ... মসিদি খন্থহৌদবা মীকুপ্তুগী অদুমক ওইখিবনি হায়বদা অকায়বা হায়বদুমদি ওইররোইদবনি। লায়রবা মচা কয়া লাইরিক লাইশুদা মকোক তাদুনা মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনবা মীওই ওইরকখিবা, খাঙবা কনবা, হোৎনবদা অৱা-অনাবু থওইদবা, তূম্বা চাবা থিদনা ... মসিগুম্বা মীওইদুনা ওইরোইদবগী ফুদিত্তা মাঙজোং চোঙবনি হায়রুবা য়াবা নত্তে।

মালেম পৃথিবীসিদা চরা অনী চাবা ফংদবা মীওই কয়া অমা লৈরিবনি। মসিগা ওন্ন-তৈনবদা চাবা য়াবা চাক-এঞ্জাং কয়া অমা হুন্দোক্তুনা মাঙহন-তাকহনবসিদি অফবনি হায়বদা লানগদৌরবনি। মাঙলমচত্তা মাঙহন-তাকহনবগী থৌওং ময়াম অমা লৈরম্লবসু হৌজিক্কী মীরোলসিদদি মাঙহন্দরে হায়ববু য়ারবনি। কনাগুম্বা ওক লোয়বা, য়েন লোয়বা, ঙানু লোয়বা মীওইদা হায়রুবদা মখোঙনা থোঙনা লাক্তুনা অদুমক লৌনররে হায়বদা অরানবা ৱাফমদি ওইররোইদবনি। চেঙগা চাক্না অনীসি চেঙদগী চাক ওল্লকপনি। চাক্তগীদি চেঙ ওল্লু হায়বা য়াগদবা নত্তে। মখোয় অনীসি চেঙনা মমল হেল্লবসু চাক্না ফনা নিংথিজনা হোঙইদা হায়বদা অশোয়বা হায়বদুমদি য়াওদব্রনি। হিসাব য়াওদনা করবার তৌবা, হিসাব য়াওদনা উৎসব কৎপা, পূন্নমক শোয়বা হায়বা অসিমা নমদনা ওইদৌরিবনি।

চৎনবীনি হায়দে পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা থবক্তি মনাক ফাওবা নক্তবনা অফবা ওইদৌরিবনি। মীনা তৌনৈ ঐসু তৌদবা য়াদে হায়দুনা অরৈবা মাল-চাং য়োন্থোক্তুনা ... মসিগুম্বা থৌওংসিদি চেগপ লৈনা লৈনা অশাবা মৈতাল খূৎনা পায়বগুম থোক্তনীংঙাই লৈরোই। শেন্থোক লম্বীনবু নাতৈ পুতৈ চাদ্রবা কদায়দগী ঈজৎ, কদাইদগী শঙ্গ পূন্নমক অরেম্বা তাদৌরিবনি। ঈজৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা লাইরেননা ... মসিমক্তি কানবা নত্তে। লৈতবনা নোংমা-নোংমগী অসুম-অসুম হেঞ্জিল্লক্লবা মমৈদা লাইবক য়েংবীদা হুরানবগী লম্বীদা পামদ-পামদনা মসিমক ওইদৌরিবনি। লায়রা অনংশিংগী মনুংদা অশিংবা অখঙবা ময়াম অমা লৈদুনসু শিংথানবগী ৱাসিমা খরদি অদুমক ৱাৎলগদবনি। ইনাকপু খুল্লবা পৈশাবু খরা পায়রবা লাল্লবসু লান্দ্রবসু মৱাদি চৎকদৌরিবনি। মসিমক ঙসিগী মীরোলসিদা শাগোন্নদুনা লৈরিবনি। চৎনবীনি হায়দুনা চৎনবী ময়াম অমা তৎন-থানবা য়াদনা লৈরবসু অদুমক মখা চথদুনা লৈবা সিমদি য়াওদবা য়াদনা লৈদৌরিবনি। ইনাক খুনগেরা ফম্নাইবা ওইগেরা, লায়রবা ওইগেরা, অমা হেক্তা ওইবদা মীচং মীখাই নাইদনা ইথা থাজদনা মমাঙগী কুমজা ২০২০দি কোভিদ-১৯না ঙমদুনা লৈখ্রবসু হৌজিক্তি পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হন্থরক্লি। কোভিদকী লাইচৎনা অসুক য়াম্না লাক্করিবসিবু মীওইবা খুন্নাইসি মশীং য়াম্মল্লি হায়বদগী কনাগুম্বা অখঙবা অহৈবা নৎত্রগা লাই ইবুংঙো মহাক্না শিল্লিবা জাৎলা? অমদি শোয়দনা লৈরমদৌরিবনি। কোন্থোং ৱাংমা লানগনু, য়ারিবমখৈ য়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈবসিসু খ্বাইদগী অফবা ওইদৌরিবনি। চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্না চৎনবা গভর্ণমেন্টনা ফনা য়াম্না চেকশিন থৌরাং তৌনবগীদমক মীয়ামদা পীবা আপিল অদু ফাওবা থৌশাদবা মশীং কয়ানি। হন্দক্কী মতাংসিদি থওই-ৱাওইদবা মীওইতদা লাইচৎসিনা ঙমদৌরিবনি। থাজদবা য়াবা নত্তে। ফম্নাইবা-ফম্নাইবী মখোয়দু ফাওবা লানশিনবা ঙল্লবা হন্দক্কী লাইচৎ অসিবু থাজরুদবা য়াবা নত্তে। নৌরিঙৈগী মতমদা চেকশিন্না মীয়াম তিন্দনবা হোৎনরম্বা পূন্নমক হাতে-হাতে ওইবগী ফীভমদা উরকপা মসিগী থৌদোকসিনা নমদনা মশীং হেন্দৌরিব্রা? কুইর-কুইরগা চেকশিনবদগী কোমথোরকপগুম তৌরকপা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিনা হরাওজবা ওইরবনি। অদুনা লৈবাক মচাশা কোভিদনদি ঙমহল্লগুমসি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎচরি-হেন্না হেন্না থাগৎচগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চৎখিবা চহী ২০২০গী দিসেম্বর ১৮দা লম্ফেল পাৎতা অসি একর ৪৬০গী ৱাটর বোদি থম্নবা হোৎনরি হায়না তাজবদা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেন সিংহবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। হায়রিবা ৱাটর বোদি অসিগীদমক্তা থবক হৌরক্লবদি অমুক্কসু হেন্না হেন্না থাগৎচগনি। মরমদি পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা লম্ফেল পাৎপু মশক খঙবীবা লৈবাক্কী মপু অমা তাইবঙ শেম্বা মপুনা থাবীরক্লবনি হায়না খঞ্জরগা থম্মোয়দা অসুক্কী মতিক হরাওবা, নুংঙাইবা পোকচৈ। মরমদি মমাঙগী লৈঙাক মতমদা লম একর ২০০গী ৱাটর ভোল্যুম অমা থম্লগনি হায়দুনা কুমজা ২০০৭ কী জুলাই থাগী এসেমব্লি হোলদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু থবক ওইনদি পাঙথোকখিদে, কয়াদা নীংবা কায়জখি। মসিগীসু মথক্তা মতমদুগী হেল্থ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনসু মফম অদুদা চত্তুনা লম একর ২৫০ গী ৱাটর ভোল্যুম থম্নবা কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবর থাদগী তৌবা হৌরগা কুমজা ২০১৪ দা লোইনবা হোৎনগনি হায়না প্রিন্ট মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু থবক ওইনদি পায়খৎপীখিদবদা অসুক্কী মতীক নীংবা কায়না লম্ফেল পাৎ অসি মণিপুরগী পুৱারীগী লামায়দগী মুখৎপীখিদৌরবা মাল্লে খঞ্জদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা; পাৎ তৌননবগী লুপা ক্রোর ২২.৯২ সেঙ্কসন তৌরক্লে অদুবু লমগী শরুক্কী একর ১০০ দি তোঙান তোঙানবা বোদিশিংদা পীথোক্লক্লে হায়দুনা পাউচে খরদা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর তাং ৪ দা ফোঙদোক্লকখি। মতম অদুদগী, হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগীদমক্তা অসুক্কী মতীক কান্নগদবা পাৎ অসিবু শেমগৎপদা থৱায় য়াওবীদবা হায়বসি মমা লৈবাক্কী পুৱারীবু থওইদবনি খন্দুনা নীংবা কায়না লৈরিঙৈদা, হন্দক হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৮দা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেননা "লম্ফেল পাৎতা লম একর ৪৬০ লৌশিলে মদুদা ৱাটর বোদি লুপা ক্রোর ১০০ চঙনা পাৎ ওইনা থম্লগনি" হায়বীবদা পুৱারীবু ঙাকপা পামজবা ঐনদি করিগী থাগৎচরোই অমসুং হেন্না হেন্না থাগৎচনবা নোংজু পাম্থা লাক্ত্রিঙৈদা তৌবা হৌনবা হোৎনবীরো অমসুং মুৎনাইরোইদবা মিংচৎ থম্বীরো, ঐখোয়সু তাইবঙ শেম্বা মপুদা অপনবা পীবিদনবা থৌনিজগে।

পাৎ অসি থম্লগা মসিনা মীয়ামদা কান্নগদবা অমসুং টুরিষ্ট স্পোট শেমগৎলগা ষ্টেটকী ইনকম লাক্লবগী দিস্ক্রিপসন ঐনা খঞ্জবা খরা মকাদা মীৎয়েং তাবীয়ু।

(১) পুৱারী মুৎলরোই (২) পাৎ অসি শেম্বীবা মীগী মিং পুৱারীগী লামায়দা মুৎনাইদনা য়াওরগনি (৩) পাৎ অসিগী ঈশিংগী মনিলনা ইম্ফাল টাও ঈং-ঈং লাওনা থম্বদা মতেং ওইগনি (৪) পাৎকী অকোয়বদা সিমেন্টেট তৌবীবা (৫) পাৎ মপান্দগী ফূট ২০ মুক পাক্না ইকোয় কোয়না তিংথৌ নাকুপ্পী থাবীবা (৬) মদুগী মথংদগী ফী- লম তাম্বা য়াবগী চাংদা গার্দেন শেম্বীবা (৭) পাট্রা মোটোর বোট, পাইদল বোট থম্বীবা (৮) পাট্রাগী ঙাগী পোথোক ফংনবা হোৎনীববা (৯) পব্লিককী মেন রোদ ময়াদা পার্কিং থম্বীদুনা মদুদগী পাৎ য়ৌবা ফাওবা লম্বী নান্না শেম্বগা লোয়ননা নাক-য়েৎতা লৈ অমদি মনা পূংবা ঊ মখল থাবীবা (১০) পাৎ ফাওবা খোঙনা চৎপদা মরক্তা ঙাইহাক পোথাজনবা টেন্ট হাওসকুম্না মরক মরক্তা লম্বীগী নাক-য়েৎতা শাবীবা মদুনা লম্বীগী অমদি পাৎকী সিনরিসু হেনহলগনি (১১) পাৎতগী জূ ফাওবসু মথক্কী লম্বী অসুম্না শেম্বীবা (১২) জূদগী ইরোইশেম্বগী চীংজিনগী চীংথক ফাওবা সিড়ি থাক-থাক শেম্বীবা অমসুং চীংথক্কী শরুক খরা তেমখায়দুনা অমদি চৈরাও চীংগী শরুক খরা অমগা তেমখায়রগা কেবল ৱায়রনা শম্নহল্লবদি নোংমদা লাক্কদবা ইনকম অদু খন্দুনা য়েংবীয়ু (১৩) পাৎকী মচি অমদা পাৎ অসিবু শেম্বীবা মীশক অদুগী মীতম খিন্দুনা য়োৎকী চেন্না খাজিন্দুনা অমদি ফজ-ফজবা লৈ থাদুনা, হেক উবদা অরাকপশিংনা মীতম অদুবু ফোটো নম্নিংনবগী ষ্টেন্দর্দতা থম্বীরবদি মীতম অদু পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা য়ৌখিগদৌরিবনি (১৪) পাৎকী খরা লাপ্তুক্না টুরিষ্টশিংগী দার্ক বঙ্গলো অমা শাবীবা (১৫) দরকার লৈরবদি পাৎ মপান্দা ৱাটর রিজর্ভর খিন্দুনা মীয়ামদগী টেক্স লৌদুনা টেপ ৱাটর ফংহল্লবদি ইনকম কাগনি (১৬) ইরোইশেম্ববা চীংজিন্দগী খোংহাম্পাৎ মপাগী চীংজিন ফাওবা মী-শা চঙবা ঙমদনবা ইকোয় কোয়না খাজিল্লবদি চহী মঙাদা উমং ওইগনি। উমংগী কান্নবদি করি অমুক হায়জরুগনি (১৭) উমং ওইরবা মতমদা চীংশাং অসিগী মরক মরক্তা চীংখোঙ অমদগী ৱাংমগী চীংখোঙ ফাওবা লম্বী শেমদুনা লম্বী অদুগী নাক-য়েৎতসু মী-শা চঙবা য়াদনবা খাবীদুনা অসুম্না চীংশাং অসিদা পন্দুপ-পন্দুপ নাইনা খারগা শা মখল মখল থমদুনা টু রিষ্টশিংগী মীৎয়েংফম শেম্বীদুনা ইনকম কাহনবা য়াই। অসুম্না তৌরবদি টুরিষ্ট মশিং য়াম্না লাক্তুনা মণিপুর থুনা ইনাক খুনবা ষ্টেট ওইগনি লোয়ননা মীওই ফনা য়াম্না থবক পীবা ঙমগনি (১৮) পাৎ তৌবদগী হৌরগা মথক্কী হায়জরিবশিং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর ১০০ নদি কোন্নরোই অদুনা মীয়ামদগী দোনেসন তৌরগা, দোনরশিংগী মিং অমদি শেল মশিং নুঙদা হক্তুনা পাৎ মপালদা থিনগনি হায়রবদি দোনরগী মশীং ৱাৎলোই খঙ্গে।

মথক্কী থবকশিং অসি চীফ মিনিষ্টরনা অথুবদা থবক ওইনা পাঙথোকপীবরদি হন্না হন্না থাগৎচগনি।

*অদোমগী - এলাংবম মণিহার (রোমেস) থাংমৈবন্দ গুরুকুল স্কুল মনাক*

ꯃꯥꯡ / MARKSHEET LOST

I have lost my marksheet of B.Ed. 2nd year of 2018 bearing Roll No. 170776 issued by Manipur University on the way between Churachandpur to Loktak Project on 30/12/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Poujiangamliu Thaimei**
Digaijang Village, Churachandpur
HL-P/7059/13

ꯃꯥꯡ / DEATH CERTIFICATE LOST

I have lost my Husband's Death Certificate in the name of (L) Hijam Muhindro Singh at my home premises on 10/12/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Leimapokpam Ratna Devi**
Singjamei Waikhom Leikai
HL-P/8553/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 18/SDC/Kumbi/2021**
Ngangom Thoibi Devi W/o (L) Ng. Babu Singh of Phougakchao Ikhai Makha Leikai. *-App.*
-Vrs-
(L) Ngangom Babu Singh S/o (L) Ng. Ibotombi Singh of Phougakchao Ikhai Makha Leikai. *-Opp.*

[illegible] / **NOTICE**
Kumbi, 12/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯৮- তোরবুংদা লৈবা পাট্টা নং ২৬৭ (অরিবা) অমসুং ৭৫ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১১৩০, এরিয়া ০.০৬ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি গী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

HL-P/8550/13 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 286/SDC/NTK/2021**
Chongtham Priyobarta Singh S/o Ch. Tomba of Thinungei Makha Leikai W/No. 8. *...Petitioner*
-Vs-
(Late) Chongtham Bira Singh S/o (N) Chaoba Singh of Thinungei. ...Opponent

[illegible] / **NOTICE**
Ningthoukhong, the 12th Jan., 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 45 - Thinungei গী Patta No. 538 (O), 241 (N), C.S. Dag No. 1301 an area 0.70 acre of Ingkhol অসি পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৯/০১/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপত্তি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/8556/13 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong